This Booklet contains **20** printed pages.
इस पुस्तिका में **20** मुद्रित पृष्ठ हैं।

**AK14II**

**Test Booklet No.**
परीक्षा पुस्तिका संख्या

(10)

# PAPER—II / प्रश्न-पत्र—II

## MANIPURI LANGUAGE SUPPLEMENT / मणिपुरी भाषा परिशिष्ट

### PART—IV & V / भाग—IV & V

**Test Booklet Code**
परीक्षा पुस्तिका संकेत

**N**

Do not open this Test Booklet until you are asked to do so.
इस परीक्षा पुस्तिका को तब तक न खोलें जब तक कहा न जाए।
Read carefully the Instructions on the Back Cover (Pages 19 & 20) of this Test Booklet.
इस परीक्षा पुस्तिका के पिछले आवरण (पृष्ठ 19 व 20) पर दिए गए निर्देशों को ध्यान से पढ़ें।
**For Instructions in Manipuri see Page 2 of this Booklet.**
**मणिपुरी में निर्देशों के लिए इस पुस्तिका का पृष्ठ 2 देखें।**

## *Instructions for Candidates :*

1. This booklet is a supplement to the Main Test Booklet for those candidates who wish to answer **EITHER** Part—IV (Language—I) **OR** Part—V (Language—II) in **MANIPURI** language, but **NOT BOTH**.
2. Candidates are required to answer Part—I, and Part—II OR III from the Main Test Booklet and Parts—IV and V from the languages chosen by them.
3. Questions on English and Hindi languages for Part—IV and Part—V have been given in the Main Test Booklet. Language Supplements can be asked for separately.
4. Use **Blue/Black Ballpoint Pen only** for writing particulars on this page/marking responses in the Answer Sheet.
5. The CODE for this Language Booklet is **N**. Make sure that the CODE printed on **Side-2** of the Answer Sheet and on your Main Test Booklet is the same as that on this Language Supplement Booklet. In case of discrepancy, the candidate should immediately report the matter to the Invigilator for replacement of the Language Supplement Test Booklet.
6. This Test Booklet has **Two** Parts—IV and V, consisting of **60** Objective-type Questions and each carrying 1 mark :
   Part-IV : Language-I (Manipuri) (Q. Nos. 91-120)
   Part-V : Language-II (Manipuri) (Q. Nos. 121-150)
7. Part-IV contains 30 questions for Language-I and Part-V contains 30 questions for Language-II. In this Test Booklet, only questions pertaining to Manipuri Language have been given. **In case the language(s) you have opted for as Language-I and/or Language-II is a language other than Manipuri, please ask for a Test Booklet that contains questions on that Language. The languages being answered must tally with the languages opted for in your Application Form.**
8. **Candidates are required to attempt questions in Part-V (Language-II) in a language other than the one chosen as Language-I (in Part-IV) from the list of languages.**
9. Rough work should be done only in the space provided in the Test Booklet for the same.
10. The answers are to be recorded on the OMR Answer Sheet only. Mark your responses carefully. No whitener is allowed for changing answers.

## *परीक्षार्थियों के लिए निर्देश :*

1. यह पुस्तिका मुख्य परीक्षा पुस्तिका की एक परिशिष्ट है उन परीक्षार्थियों के लिए जो या तो भाग—IV (भाषा—I) या भाग—V (भाषा—II) का उत्तर **मणिपुरी** भाषा में देना चाहते हैं, लेकिन **दोनों** नहीं।
2. परीक्षार्थी भाग—I, एवं भाग—II या III के उत्तर मुख्य परीक्षा पुस्तिका से दें और भाग—IV व V के उत्तर उनके द्वारा चुनी भाषाओं से।
3. अंग्रेज़ी व हिन्दी भाषा पर प्रश्न मुख्य परीक्षा पुस्तिका में भाग—IV व भाग—V के अन्तर्गत दिए गए हैं। भाषा परिशिष्टों को आप अलग से माँग सकते हैं।
4. इस पृष्ठ पर विवरण अंकित करने एवं उत्तर-पत्र पर निशान लगाने के लिए **केवल नीले/काले बॉलपॉइंट पेन** का प्रयोग करें।
5. इस भाषा पुस्तिका का **संकेत N** है। यह सुनिश्चित कर लें कि इस भाषा परिशिष्ट पुस्तिका का संकेत, उत्तर-पत्र के **पृष्ठ-2** एवं मुख्य परीक्षा पुस्तिका पर छपे संकेत से मिलता है। अगर यह भिन्न हो, तो परीक्षार्थी दूसरी भाषा परिशिष्ट परीक्षा पुस्तिका लेने के लिए निरीक्षक को तुरन्त अवगत कराएँ।
6. इस परीक्षा पुस्तिका में दो भाग—IV और V हैं, जिनमें **60** वस्तुनिष्ठ प्रश्न हैं तथा प्रत्येक 1 अंक का है :
   भाग–IV : भाषा–I (मणिपुरी) (प्रश्न सं० 91-120)
   भाग–V : भाषा–II (मणिपुरी) (प्रश्न सं० 121-150)
7. भाग–IV में भाषा–I के लिए 30 प्रश्न और भाग–V में भाषा–II के लिए 30 प्रश्न दिए गए हैं। इस परीक्षा पुस्तिका में केवल मणिपुरी भाषा से सम्बन्धित प्रश्न दिए गए हैं। **यदि भाषा–I और/या भाषा–II में आपके द्वारा चुनी गई भाषा(एँ) मणिपुरी के अलावा है/हैं, तो कृपया उस भाषा वाली परीक्षा पुस्तिका माँग लें। जिन भाषाओं के प्रश्नों के उत्तर आप दे रहे हैं वह आवेदन पत्र में चुनी गई भाषाओं से अवश्य मेल खानी चाहिए।**
8. **परीक्षार्थी भाग–V (भाषा–II) के लिए, भाषा सूची से ऐसी भाषा चुनें जो उनके द्वारा भाषा–I (भाग–IV) में चुनी गई भाषा से भिन्न हो।**
9. रफ़ कार्य परीक्षा पुस्तिका में इस प्रयोजन के लिए दी गई खाली जगह पर ही करें।
10. सभी उत्तर केवल OMR उत्तर-पत्र पर ही अंकित करें। अपने उत्तर ध्यानपूर्वक अंकित करें। उत्तर बदलने हेतु श्वेत रंजक का प्रयोग निषिद्ध है।

Name of the Candidate (in Capitals) : ____________________
परीक्षार्थी का नाम (बड़े अक्षरों में)

Roll Number (in figures) : ____________________
अनुक्रमांक (अंकों में)

(in words) : ____________________
(शब्दों में)

Centre of Examination (in Capitals) : ____________________
परीक्षा-केन्द्र (बड़े अक्षरों में)

Candidate's Signature : ____________________
परीक्षार्थी के हस्ताक्षर

Invigilator's Signature : ____________________
निरीक्षक के हस्ताक्षर

Facsimile signature stamp of Centre Superintendent ____________________

**10-II**

বুকলেটসি লমায় **20** য়াওই

# AK14II

টেষ্ট-বুকলেট কোড

**N**

## পেপর—II

## মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট

## ভাগ—IV & V

হায়রক্ত্রিফাওবা টেষ্ট বুকলেট অসি হাংদোক্কনু।

বুকলেটশিংগী নীতি-নিয়মশিং (Instruction) (সাইদ 19 & 20) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ।

*কেন্দিদেটশিংদা পীবা ইনস্ট্রক্সনশিং :*

1. বুকলেটসি মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদা পার্ট—IV (লেঙ্গুয়েজ—I) নত্রগা পার্ট—V (লেঙ্গুয়েজ—II) দা পরীক্ষা থানিংবা কেন্দিদেটশিংগীদমক ম্যেন টেষ্ট বুকলেটতুগী সপ্লিমেন্ট অমনি। অনিমক্তি পুন্না পরীক্ষা থাবা য়ারোই।
2. কেন্দিদেটশিংনা ম্যেন টেষ্ট বুকলেটতগী পার্ট—I, অমসুং II নত্রগা III অমসুং মখোয়না খনবা লেঙ্গুয়েজশিংদগী পার্ট—IV অমসুং পার্ট—V কী পাউখুম পীবা দরকার লৈ।
3. ইংরাজি অমসুং হিন্দী লেঙ্গুয়েজশিংগী পার্ট—IV অমসুং পার্ট—V ৱাহংশিং ম্যেন টেষ্ট বুকলেটতা পীরে। লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্টশিংগীদমক তোঙান্না হংবা য়াই।
4. লমায়সিদা পার্টিকুলারসিং **ইননবা ব্লু/ব্লেক বোল পোইন্ট পেনখক্তংমক** শীজিন্নৌ।
5. লেঙ্গুয়েজ বুকলেটশিংগী কোডতি **N** নি। অঙ্গর শীটকী **সাইড—2** দা ইরিবা কোডতুগা অমসুং ম্যেন টেষ্ট বুকলেটতা ইরিবদুগা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুকলেটকীশিগা চপ মান্নবা হায়না য়েংউ। মান্নদবা থোক্লবদি কেন্দিদেটনা খুদক্তা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুকলেট অদু শীন্দোক্লবা ইনভিজিলেটরদা রিপোর্ট তৌগদবনি।
6. বুকলেট অসিগী পার্ট **অনিনি** IV অমসুং V। মসিদা ৱাহং অমমমদা মার্ক অমা পীবা ৱাহং **60** য়াওই :

   পার্ট—IV : লেঙ্গুয়েজ—I (মণিপুরী) (ৱা : 91 দগী ৱা : 120)

   পার্ট—V : লেঙ্গুয়েজ—II (মণিপুরী) (ৱা : 121 দগী ৱা : 150)
7. পার্ট—IV লেঙ্গুয়েজ—Iগী ৱাহং 30 য়াওই অমসুং পার্ট—V লেঙ্গুয়েজ—IIগী ৱাহং 30 য়াওই। বুকলেট অসিদা মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদংগা মরী লৈনবা ৱাহং হংই। **নহাক্না নঙগী লেঙ্গুয়েজ—I অমসুং লেঙ্গুয়েজ—II ওইনা খনবা লেঙ্গুয়েজশিংদু মণিপুরী নত্রবদি লেঙ্গুয়েজদুদা ৱাহং হংবা টেষ্ট বুকলেট অমা পীনবা হায়বীয়ু। পাউখুম পীরিবা লেঙ্গুয়েজশিংদু নহাক্কী এপ্লিকেশন ফোর্মদা ইখিবা লেঙ্গুয়েজশিংগা মান্নগদবনি।**
8. **কেন্দিদেটশিংনা পার্ট—V তা (লেঙ্গুয়েজ—II) খুমগদৌরিবা ৱাহংশিং অদু লেঙ্গুয়েজ—I (পার্ট—IV) নত্তবা লিস্টা য়াওরিবা অতৈ লোনশিং অসিদগী অমা খল্লগা খুমগদবনি।**
9. টেষ্ট বুকলেটতা পীরিবা মফমদুতদা রফ ৱর্ক তৌগদবনি।
10. পাউখুমশিংদু (OMR) পাউখুম চেদা ইগদবনি। নঙগী পাউখুমশিংদু চেকসিন্না মার্কতৌ। পাউখুমশিং হোংনবা মৃক অঙৌবা শীজিন্নবা য়াদে।

কেন্দিদেটকী মীং (অচৌবা ময়েক্তা) : ______________________

রোল নম্বর (অঙ্ক ময়েক্তা) : ______________________

ৱাহৈদা : ______________________

পরীক্ষাগী সেন্টর (অচৌবা ময়েক্তা) : ______________________

কেন্দিদেটকী সিগনেচর : ______________ ইনভিজিলেটরগী সিগনেচর : ______________

Facsimile signature stamp of Centre Superintendent ______________________

**Candidates should answer questions from the following Part only if they have opted for MANIPURI as LANGUAGE–I**

## মণিপুরী

*লমতাকপা* : খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা মখাগী ৱাহংশিংগী (**91–105**) পাউখুম পীয়ু :

**91.** মহৈরোইশিংনা ৱাহনথোক মুন্না খংলগা (communicative competence) লৈরবা হায়বসি

(1) ওঝাগা ৱারী শান্নরগা মখোয়না খঙদবশিংদু খঙদোকপনি

(2) মখোয়না ডিকসনারি শিজিন্নদুনা ৱাহৈগী চপ-চাবা ৱাহনথোক খঙল্লগা শিজিন্নবনি

(3) মখোয়না মচাকশিং খঙমিন্নবা মখাতানা মুন্নাখঙন্নবা অমদি মচাকশিংদু অমুকহন্না শেমদোক-শেমজিনা তৌরগা খঙন্নবা হোৎন্নবনি

(4) গ্রামারগী কয়াৎশিং শিজিন্নবনি

**92.** মখাদা পীরিবা লোনগী হৈশিংবশিংসি (skills) তম্বদা পীরিবা মথং-মনাওসিদা লাইনা থোকপসিকরম্বনো ?

(1) ঙাংবা–তাবা–পাবা–ইবা

(2) তাবা–ঙাংবা–ইবা–পাবা

(3) তাবা–ঙাংবা–পাবা–ইবা

(4) তাবা–পাবা–ঙাংবা–ইবা

**93.** লোন তম্বদা হেন্না তম্বা ঙম্বসি, মখোয়না তল্লিবশিংদু

(1) মখোয়না তল্লিবসি কনট্রোল ক্লাসরুমগী ইনভাইরনমেন্ট হেন্না তম্বা ঙম্মী

(2) মমা লোন্দা লোন্দুগী মওং অমসুং মখোল (sound) নকশিল্লগা ওই

(3) মখোয়না কোলেজ মিংচনবদা মতেং ওই

(4) মখোয়গী পুঙ্গিগী অপাম্বা অমসুং অনিংবশিং চান্নরবদি হেন্না ফবা ওই

**94.** ওইবা য়াবা পাউখুম পরেং অমা মিংথোলগা লোয়ননা পীরবা পারা অমনি। Input text অমদা য়াওবা য়াবা মচাকশিং করি ওইগনি audio recording থাদোক্লিঙৈদা মতাংসিদা মহৈরোইশিংনা

(1) মনুংদা য়াওবিশিংদু চুম্বা য়েংবনি

(2) অচুম্বশিং (facts) য়েংবনি

(3) ৱাহংশিংগী পাউখুমশিং চুম্বা-চুমদব্রা য়েংবনি

(4) য়াওদবা মচাকশিং হাপচিনবনি

**95.** মহৈরোইশিংসি ঙাংবগীদমক ঙাংবদা য়াম্না হরাওই। মসিগী activity সিনা হেন্না কান্নগনবা য়াই, মদুদি

(1) অককনবা ৱাহৈপরেংশিংগী পরেং অমা শিজিন্ননবা পীবদা

(2) অচুম্বা কয়াৎ অমদি খোল্লোক্তা

(3) activity দু ইবা/পাবগী মওংদা তৌবদা

(4) অরোইবদা মখোয়দা পীরিবা থবক্কু লোইন্নবা পুক্লিং থৌগৎপিবদা

**96.** মীওইবগী ৱাখলগা মীওইবগী ওইবা ৱারি-ৱাতাই শান্নবগা লৈন্নবা মরুওইবা মরিসি

(1) খোল্লোক অমদি accent নি

(2) Capital ময়েক শিজিন্নবা অমদি punctuation শিজিন্নবনি

(3) খোনহায় (intonation) অমদি স্ট্রেসনি

(4) গ্রামারগী ওইবা কয়াৎশিংনি (structure)

**97.** ওঝানা (video) শিজিন্নদুনা গ্রামারগী কয়াৎ (grammatical structures) অমসুং নিয়ম তাকই। মহৈরোইশিংনা কয়াৎশিংদু ইবদা নত্রগা ঙাংবদা অমদি হেন্না ৱাখল ফোংদোকপদা শিজিন্নৈ। মসিগী তম্বিবগী মওংসি (approach)

(1) কন্সত্রকতিভনি

(2) করিগুম্বা খরদগী য়েংলগা নত্রগা শাদোক্লগা তাকপনি (inductive)

(3) দিদকতিভনি

(4) রিদকতিভনি

**98.** মহৈরোইশিংগী অইবদা খ্বাইদগী ফবা মওংদা অরানবা চুমথোকপসি ওঝানা

(1) মহৈরোইনা অচুম্বা তম্নবা ঔরাইন্নবা ড্রিল (drill) পীবনি

(2) বোর্ডতা অচুম্বা পাউখুম ইরবা মতমদনি

(3) অরান্বা পাউখুমশিংদু অমুক হন্না য়েংবনি

(4) অচৌবা অরানবশিং সিম্বল (symbols) শিজিন্নদুনা পুথোকপা অদুগা মহৈরোইশিংনা মথন্তা চুমথোকচবনি

**99.** মতম লৈবা খিবিক্তা মহৈরোইশিংনা L-1 নত্রগা L-3 তাবদা অমসুং খঙন্নবা হোৎনবদা ক্লাসরুমগী মনুংদা অমসুং মপান্দা অৱাবা থেংনৈ। মহৈরোইশিংদা ফগদবসি

(1) মশাগী লোন ঙাংবা মীশিংনা তম্বীবনা ওইগনি

(2) L-2/L-3 গী পেরেদ (period) মশিং হেনগৎহনলগা ওইগনি

(3) লোন হেন্না শিজিন্নরগা ঔরাইবনা কান্নগনি

(4) মখোয়গী L-1দুদা হেন্না নকশিনবা লোন অমা খনবনা ওইগনি

**100.** মহৈরোইশিংনা হান্না খঙদবা ৱাহৈ থেঙন্নবা মতমদা মদুগী ৱাহনথোক (meaning) খঙন্নবগীদমক্তা

(1) ইচম-চম্বা টেক্স খনগনি

(2) খুদক্তা ৱাহনথোক খঙন্নবা ডিকসনারি য়েংগনি

(3) ওঝাদা নত্রগা থংনবদা লৈবা মীদা হংগনি

(4) য়াওফমদুদা লৈরিবা মচাকশিংদু শিজিন্নরগা মাগী চাওরাওকপা ৱাহনথোকতু চুন্না হায়গনি

**101.** মখাগীসিদগী করম্বনা হেন্না থাক ৱাংনা পাবগী খঙন্নবা (higher level of reading comprehension) উৎপগে ?

(1) মহৈরোইশিংগী মশা-মশাগী ৱাহৈশিং মপুং ফাবা ৱাহৈ-পরেংশিংদা হাপ্লগা হন্না ইথোকপা, লাইরিক্তগী মরুওইবা ৱাহৈশিং হন্না ইথোকপা অমদি লাইরিক মশা মনুংদুদা ৱাহনথোক থেংন্নবা থিবনি

(2) পোইন্ট অমসুং মরুওইবা ৱাহৈশিং লাইরিক্তগী ইবা অমদি লাইরিক্তগী তোঙান-তোঙানবা ৱাহনথোক পুথোকপনি

(3) মহৈরোইশিংগী মশা-মশাগী ৱাহৈশিং হন্না ইবা অমসুং লাইরিক্তগী মরুওইবা ৱাহৈশিং হন্না ইথোকপনি

(4) মহৈরোইশিংগী মশা-মশাগী ৱাহৈশিং হন্না ইবা, মপুং ফাদবা ৱাহৈ-পরেংশিং লাইরিক্তগী লৌথোক্লগা শিজিন্নবা অমদি লাইরিক মশাদুদা ৱাহনথোক থিদোকপনি

**102.** অইবা মচেৎ অমদা অহানবদা য়েংগদবসি :

(1) গ্রামারগী কয়াৎশিংনি

(2) ৱাহৈ অমনা কদাইফাওবা শিজিন্নবা য়াবগে য়েংগনি

(3) য়াওরিবা মচাকশিং (content) মতাং চাবা অমদি মদুনা পীরিবা ৱাখললোননি

(4) ৱাহৈশিংগী ইনাকখুনবনি

**103.** মহৈরোইশিংনা লোন অমা তম্বা মতমদা মখল-মখা কয়াগী পান্নবা লাইরিক্কা লোইন্নবা হান্না তৌখ্রবা activityশিংগী কান্নবশিং খুদক্তা পীবা অমদি —— মখোয় মথন্তা লাইরিক তৌজবা য়ান্নবা খুদোংচাবা পি।

(1) অথাপ্পা (distance) ওইবনা

(2) হান্না শেমলবা প্রোগ্রামনা

(3) কমপ্যুটরগী মতেংনা

(4) ডাইরেক্ট (direct) ওইবনা

**104.** লোন অনি হায়বদি মশাগী লোন অমদি তন্নিবা-লোন (target language) ঙাংবা ক্লাসরুম অমগী য়াম্না কান্নবসি

(1) মহৈরোইশিংনা ক্লাসতা ৱা য়াম্না ঙাংদ্রবদি পুক্লিং চোইথোকলোই

(2) তন্নিবা-লোন ঙাংবা মহৈরোইশিংদু (target language speaking students) অতোপ্পা লোন তমহন্নবগী ইথিন পি

(3) অতোপ্পা প্রোজেক্টকী খুদোংচাবা ফংই

(4) লোন খুদিংগী হেন্না থবক তৌহন্নবা ওইহনলি

**105.** হান্না খঙলবা গ্যানসি মহৈরোইশিংনা খুদম ওইনা, ৱাহৈ খঙবগী অৱাবদা (word problems) শিজিন্নবা ৱাই। মহৈরোইশিংনা ৱাহৈ-পরেংশিং হন্দোক্নুনা (equation) শেম্বা নত্রগা খেৎন্নৎবা লৈবশিং (variables) খঙদোকপা ঙমদে। মসি ওইহনগে হায়রবদি

(1) মখোয়গী থাজবগী ৱাখল ৱাংখৎন্নবা অচম্বা (assignment) পীবীগনি

(2) মখোয়বু হেন্না ফবাশিংদুগা জুরা শেম্বনি

(3) ফজনা মওং-তানা শেম্নবা (assignment) হায়বদি-খরা-লাইবা, লাইবা-অরুবগি মথং-মনাওসিদা ওইপুনগনি

(4) পীরিবা থবক্তু লোইশিন্নবা মতম খরা হেন্না পীগনি

*লমতাকপা* : অপীবা ৱারেংদুদগী ৱাহংশিংগী (**106–114**) খ্বাইদগী চান্নবা খন্দুনা পাউখুম পীরকউ :

**অন্দ্রোগী মৈ**

অশাংবম মীনকেতন সিংহ

অন্দ্রো নোংমাইজিং ওংবা খুল অমনি। খুনফম অসিদা মৈফম অমা লৈ; মৈ অমা তত্তনা চাক্লি। মসিবু অন্দ্রোগী মৈ হায়না খঙনৈ, লায়রোল খঙবশিংনদি মাবু পোইরৈতোন খুনথোক-মৈ কৌনৈ।

মৈ অসি থায়না ইউৱা চীঙখোং-পোইরৈতোননা হৌরম্বনি। মসি হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবা মুৎলকত্রি। মৈতৈ ঐখোয়গী পারোল পুরোন্না মথং মথং মসিবু মুৎহৈদবা মৈনি হায়না য়োল্লকপনি। অন্দ্রো হায়বা খুনফম অসিদা লৈবাক্লা মৈসি য়োকপগী থৌগাই শিন্নরকই। মখোয়না শীংহুল-লেং মৈহুম-লেং পুনদুনা মাবু শোয়দনবা হোৎনরকই। মদুগীদমক মখোয়বু লৈবাক্কী মথৌ কোকপীরম্মী।

মৈ অসি মৈশেংনি। নোংদা লাইরেল পাখংবনা ফম্বাল কাওঙদা মৈফম অসিমক্তদগী মৈনা মাবু মৈওক্লখিবনি। অদুদগী হৌদুনা মৈতৈ নিংথৌশিংগী ফম্বালমৈ মৈফম অসিদগী লৌনৈ। অদুনা কনা কনাগুম্বনা মসিবু ফম্বালমৈ হায়নসু কৌনৈ।

ফম্বালমৈ-নি হায়নদুনতা মাবু লুনা তৌনবা নত্তে। মসি মনুংদা মরম অচৌবা অমা লৈরি। মসি মৈতৈ ঐখোয়গী য়ুমদিল-মৈ-নি, মৈত্রবাক-পোকপ-মৈ-নি।

**106.** কবিনা অন্দ্রোবু কদায়দা ওংবা খুলনি হায়বগে ?

(1) নোংমাইজিং ময়াদনি ওংবনি হায়

(2) অন্দ্রো নোংমাইজিং ওংবা খুলনি হায়না কবিনা শৈথাই

(3) নোংপোক্তা ওংবা হায়

(4) নোংমাইজিং মনাক্তা ওংই হায়

**107.** খুল অসিদা মৈফম কয়া লৈবগে ?

(1) খনফম অসিদা মৈফম কয়ামরুম লৈ

(2) মৈফম কয়ামুক খায়দোকই

(3) মৈফম খরদমক লৈ

(4) খনফম অসিদা মৈফম অমা লৈ

**108.** অন্দ্রো খুল অসিগী মৈ অসিবু করি হায়না খঙনবগে ?

(1) মৈ চাকলিবা মৈ অসিবু অন্দ্রোগী মৈ হায়না খঙনৈ

(2) চাক্লিবা মৈ অসিবু অন্দ্রো খুন্দা মৈ হায়না খঙনৈ

(3) মৈ অসিবু মৈতৈ মৈ হায়না খঙনৈ

(4) লৈবাক্কী মৈ হায়না খঙনৈ

**109.** লায়রোল খঙবশিংনা অন্দ্রোগী মৈবু করম হায়না কৌবগে ?

(1) লাইনিংথৌ মৈ কৌনৈ

(2) পাখঙবা খুনথোক মৈ কৌনৈ

(3) খুনথোক মৈ কৌনৈ

(4) পোইরৈতোন খুনথোক মৈ হায়না কৌনৈ

**110.** মৈ অসি কনানা হৌরম্বনো ?

(1) অন্দ্রোগী অহল অমনা হৌরম্বনি

(2) মসি নুপা অমনা হৌরম্বনি

(3) মৈ অসি ইউৰা চীঙখোং-পোইরৈতোননা হৌরম্বনি

(4) মৈতৈ নিংথৌনা হৌরম্বনি

**111.** অন্দ্রোগী মৈবু করিগী য়োক্লুনা থমলিবনো ?

(1) অন্দ্রোদা লৈবগীনি

(2) মৈতৈগী পারোল পুরোন্না মথং মথং মসিবু মুৎহৈদব মৈনি হায়দুনা য়োক্লুনা থম্বনি

(3) অফবা মৈনি হায়দুনা থম্বনি

(4) চীঙখোং-পোইরৈতোননা পুরকপগীনি

**112.** অন্দ্রো মৈ অসি শোয়দনবা কনানা শীংহুল-লেং পুবগে ?

(1) খুনগী ইনাক খুনবনা শীংহুল তৌই

(2) খুন অসিগী মী অমনা মৈ মুৎতনবা তৌই

(3) মী খরনা শীংহুল তৌই

(4) অন্দ্রো খুল মীংশিংনা শীংহুল-লেং মৈহুম-লেং পুদুনা শেমদুনা মৈ অসিবু শোয়দনবা তৌই

**113.** শীংহুল-লেং অমসুং মৈহুম-লেং তৌরিবা মীশিংবু লৈবাক্লা করি তৌবিবগে ?

(1) অন্দ্রোগী মীশিংবু লৈবাক্কী মথৌ কোকপীরম্মী

(2) শীংহুল-লেং অমসুং মৈহুম-লেং তৌরিবা মীশিংবু লৈবাক্কী মথৌ কোকপীরম্মী

(3) শীংহুল-লেংবু লৈবাক্কী মথৌ কোকপীরম্মী

(4) মৈহুম-লেংদমক লৈবাক্কী মথৌ কোকপীরম্মী

**114.** নোংদা লাইরেল পাখংবনা ফম্বাল কাবদা কদায়দগী মৈনা মাবু ওকখিবগে ?

(1) অথাপ্পা লমদগী মৈনা পাখংববু ওকখি

(2) মৈ কয়া হৌদুনা পাখংববু ওকখি

(3) অন্দ্রোগী থংনবা খনগী মৈনা পাখংববু ওকখি

(4) মৈ অসি মৈশেংনি হায়দুনা পাখংবনা থম্বাল কাবদা অন্দ্রোগী মৈনা মাবু ওকখি

*লমতাকপা* : অপীবা শৈরেংদু পারগা ৱাহংশিংগী **(115–120)** খ্বাইদগী চান্নবা খন্দুনা পাউখুম পীরকউ :

**লম্মাঙনবা**

সভ্যতাগী থিংঙমদ্রবা খোঙচৎ অসিদা
ঐখোয়না ৱাংলবা চীংজাউ কয়া লাম্হোক্কুনা
নীংথিজরবা তম্পাক অসি ফংজরে
হকচাংমখৈদি পোথাজরে, অদুবু থম্মোয়দি
মীৎয়েংদি ?
মীওইবা জাতিগী চাওখৎপগী ঈথক মথক্তা
তাউদুনা
কদোমদনো ঐখোয়গী পীক্লবা হিসি ?
মীওইবা সভ্যতাগী নোংলৈ নুংশিত্তা
নৌরবা ময়োলসি খাঙজরিদো হাইনা হুন্না।
তাখি ঐখোয়না থেঙলবা অহিংদা

**115.** কবিনা থিংঙমদ্রবা খোঙচৎ হায়রিবসি করিনো ?

(1) ঐখোয়না অপাম্বা তৌবদুনি

(2) থিংঙমদ্রবা খোঙচৎসি ৱাখলগী ঈচেলনি

(3) থিংঙমদ্রবা খোঙচৎ হায়রিবসি পুন্সিগী ঈচেলনি

(4) থিংঙমদ্রবা খোঙচৎ হায়রিবসি সভ্যতানি

**116.** ঐখোয়না করি লাম্হোকপগে ?

(1) উমং লাম্হোকই

(2) পাৎ-তুরেল লাম্হোকই

(3) সমুদ্র লাম্হোকই

(4) চীংজাও লাম্হোকই

**117.** করি ফংবগে ?

(1) নীংথিজরবা লৈকোল ফংলে

(2) নীংথিজরবা উহৈ ৱাহৈ ফংলে

(3) চীং-লেন্নবা তম্পাক ফংলে

(4) নীংথিজরবা তম্পাক ফংলে

**118.** করিদি পোথারবগে ?

(1) ৱাখল, থম্মোই পোথারে

(2) হকচাং মখৈদি পোথারে

(3) থম্মোইদি পোথারে

(4) ৱাখলদি পোথারে

**119.** শৈরেংসিদা পীক্লবা হায়রিবা পোৎসি করিনো ?

(1) হিনি

(2) য়ুমনি

(3) লৈকোলনি

(4) ঈচেলনি

**120.** খাঙজরিদো করিনো ?

(1) লৈ অনৌবনি

(2) নৌরবা ময়োলনি

(3) উনা অরিবনি

(4) পাম্বী অনৌবনি

**Candidates should answer questions from the following Part only if they have opted for MANIPURI as LANGUAGE–II**

## কাখন—V : লোন—II

### মণিপুরী

*লমতাকপা* : খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা মখাগী ৱাহংশিংসিগী (**121–135**) পাউখুম পীয়ু :

**121.** মহৈরোইশিংসি মশাগী ৱাখল-গ্যান শাগৎচবনি হায়না উই। মসি লোনগী ক্লাস অমদা ফংগে হায়রবদি

(1) ওঝানা প্রোজেক্ট ৱার্কশিং কুপ্না শেন্নদুনা, তোইনা ফগৎন্নবা কান্নবা মচাক ফংহনবদগীনি

(2) তম্লিবা-লোন্দুদা (target language) হেন্না পান্নবগী পুক্রিং থৌগৎপিগদবনি

(3) মহৈরোইশিংদুনা পাবা ঙম্বগী চাংদা মচাকশিং ফংহনবিগদবনি

(4) লোন তম্বদা মশা-মশানা অমদি জুরা নাইনা তৌবা থবকশিংনা লোন্দুদা হেন্না ৱারীশাবা হেনগৎ-হনগদবনি

**122.** তম্লিবা-লোন্দুদা নুংঙাইনা ঙাংবা য়ান্নবা ওঝানা মহৈরোইশিংগী তম্নবা ফিভম শেম্বিবদগীনি। মসি ওইহন্নবসি

(1) মীৎনা উবদগী ওইগনি

(2) মখোয়না নুংঙাইজবা লোন্দুদা ৱারী শান্নহনবনা ওইগনি

(3) ক্লাসরুমদা ঙাংন্নবদা ৱাহৈ-পরেংশিং শোয়দনা শিজিন্নবা তৌবা অমদি ৱাহৈ-পরেংশিংদু শিজিন্ননবগী মওং শেম্বনা ওইগনি

(4) তোইনা ইবা অমসুং ঙাংবগী য়েংশিনবনা ওইগনি

**123.** মহৌশানা ঐখোয়না লোন অমা তম্বা মতমদা, ঐখোয়না

(1) ফজনা ঙাংবদা পূক্রিং চিংশিনগদবনি

(2) করম হায়না হায়বগে হায়বগী মহুত্তা করি হায়গদবনো হায়বদুদা পূক্রিং চিংশিনগদবনি

(3) ইথন্তা পাজবা অমসুং হান্না খঙখ্রবা ৱাহৈশিং শিজিন্নগদবনি

(4) ইমা-ইপানা হায়বা তাগদবনি

**124.** মহৈরোইশিং তাবদগী ফংলকপা মচাকশিংদু (audio input) ফজনা ইশিনগদবনি। মসিগী activity সিবু

(1) হন্দোকপা (interpretation) কৌই

(2) মচাক ফংলকপা (information transfer) কৌই

(3) হান্না হায়বা (prediction) কৌই

(4) হন্না নিংশিংবা (recall) কৌই

**125.** মখাগী ৱাহংশিংসি ক্লাসতা করি ঔরাইবগীনো? মহৈরোইনা তুমীন্না হায়

- নংগী পৈশাখরা লৈবদুনা করি লৈ?
- নংগী লৈফমদু করিগী ওইনা খঙনৈ?
- নং য়ুমদা মতেং পাংন্নবা করি তৌবগে?
- নংগী হৈন্নবীগী মতাংদা খরা শাংলপ্না পীরকউ।

(1) ৱাহৈশিং ঔরাইবগীনি

(2) ঙাংবা ঔরাইবগীনি

(3) ইবা ঔরাইবগীনি

(4) তাবা ঔরাইবগীনি

126. মহৈরোইশিংনা গ্রামার তম্বগা লোনগী মওং মতৌগা য়েংবদা খঙবসি

(1) গ্রামার তম্বসি খ্বাইদগী মরু ওইবনি হায়বসিনি

(2) ঙাংদবা য়াদবা skill (basic communication skill)গীদমক গ্রামারগী মথৌ তাইহায়বসিনি

(3) ইবগী খুৎইসি গ্রামারনা য়াম্না ইথিনপি হায়বসিনি

(4) ঙাংবগী মথৌশিং অমদি ঙাংবদা ফজহনবগী skill শিংদুনি

127. ইবা হায়বসি মহৈরোইশিং অয়াম্বগী য়াম্না লুবা অমসুং অৱাবা থবকনি অদুনা ওঝাশিংনা অহানবদা পূক্লিং চিংশিনগদবসি

(1) ৱাহনথোক (meaning) খঙনা ফজনা ৱা ঙাংন্নবদা মরু ওইবদি গ্রামারগী ৱাখলশিংদুনি (grammatical concepts)

(2) গ্রামারগী কয়াৎশিং তোইনা হায়বনি

(3) গ্রামারগী অচুম-চুমদা ৱাখল থাদবগী মহুত্তা মহৈরোইশিংগী মশাগী থাজবা শেমগৎপিবনি

(4) অচম্বা মথৌ খরা অমদি য়ামদনা গ্রামার ওঁরাইবনি

128. গ্রামারগী চৎন-পথাপ মহৈরোইগী লোন্দা য়াওরকপসি

(1) ওঝাশিংনা তোইনা অতেনবা গ্রামার ক্লাস তৌবীবগীনি

(2) মহৈরোইশিংনা মশা-মশাগী অৱানবশিংদু হন্না-হন্না চুমথোকলবা অর্মদি শেমদোক্লবা মতমদনি

(3) ওঝাশিংনা তোঙানবা skill শিং খক্তদা তম্বীবদগীনি

(4) ইদ্রিঙৈদা অমদি ঙাংদ্রিঙৈদা গ্রামার ফজনা ওঁরাইন্নবা মতম পীবদগীনি

129. লোনগা মরি লৈন্নবা অৱাবশিংদু লৌখৎলিবা তম্বীবগী মওংনা ফহনবদা মতেং পাংই। তম্বিবগী স্টাইল খুদম ওইনা হায়বদা

(1) পূক্লিং চিংশিনবা

(2) লাউনা হায়বা

(3) চুমিন্না লৈবা

(4) প্রিন্ট ওইবগী মওংদা (print-oriented)

**130.** পারাদু 'পাম্বীশিং' হায়বা হিরমসিনা হৌদোকই। ওঝানা মহৈরোইশিংগী হান্না খঙলবশিংদা ৱাহং হংই। অদুদগী ওঝানা মহৈরোইশিংদু গ্রুপ খায়দোক্লগা মোরোক পাম্বী অমা য়েক্লগা মমিং (label) থাউ হায়। মথংদা গ্রুপকী মহৈরোই অমমমনা মখোয়না য়েক্লিবদু তাকই মহৈ-রোইশিংদুনা খঙলিবসি

(1) পাম্বীদু য়েক্লগা মমিং থারগা, মসিগী মমাংদা লৌশিং-গ্যান ফংবনি

(2) করিগুম্বা মওং অমবু নত্রগা পোৎ অমবু তাকপদা শিজিন্নবা লোন মখল শিজিন্নবা খঙবনি

(3) অহানবসিখক্তনি

(4) অহানবা অমসুং অনিশুবা অনিমকসিনি

**131.** শৈরেং পাবগা ৱারী অশেংবগী মতাংদা ইবগা পাবগী খেৎন্নবদা মহৈরোইশিংনা খঙগদবসি

(1) স্টাইল হেন্না খঙবা অমসুং কবিগী ৱাখল খঙদোকপনি

(2) অহেনবা লৌশিংগী ওইবা ফোংদোকপনি

(3) নুংগী অমদি মশাগীদা ওইবা ৱাখল ফোংদোকপনি

(4) নুংগী ৱাখল ফোংদোকপা অমদি অহেনবা লৌশিং-গ্যান ফোংদোকপনা পীরিবা ৱাখল (message) খঙদোকপদা মতেং পাংই

**132.** আর্টিকল অমা ইবদা য়াম্না শন্না খ্বাইদগী মরুওইবা মচাকশিং হঞ্জিন্দনা হায়বসি

(1) অহৌবদা ফংই

(2) লোইশিনবগী তেল্লপ্পা হায়বদা (conclusion) ফংই

(3) পারাগ্রাফ অনিশুবদা ফংই

(4) ময়াইদা ফংই

**133.** ক্লাসরুম অমদা টেকনোলোজিনা তম্লিবা-লোন্দুগী (target language) খোনথোক তম্বিবদা মতেং পাংবা ঙম্মী। করম্বনা কান্নদবা খুদমনো ?

(1) Internet তা ফংবা multimedia গী digital file (pod cast) রেকোর্ড তৌরগা তাবনি

(2) PowerPoint presentation তৌরিঙৈদা তাকপনি

(3) Whiteboard শিজিন্নরগা তাকপনি

(4) শক্তমশিংশাদুনা তাকপনি (role-plays)

**134.** ফোরেন লোন তম্বগী ক্লাস অমদা মহৈরোই অয়াম্বনা মমালোন ঙাংবা ঙাক্তা ওইরবদি, তম্বিরিবা ওঝাশিংনা খঙজিনবদা মরু ওইরিবসি মহৈরোইশিংনা

(1) অনৌবা লোনগী অহৈবশিং (skill) হেনগৎন্নবা মমালোন শিজিন্নরোইদব্বনি

(2) তম্লিবা-লোন্দু (target language) ফজনা খঙদবা য়াই

(3) তমগদবা মচাকশিং (curriculum content) অমদি অনৌবা লোনদু মখোয় মশেল ঙাংন্নরগা খঙবদুনি

(4) মহৈরোইশিংনা তোঙানবা ক্লাস মথৌ তাই

**135.** ৱাহৈশিং ৱাৎপদগী মহৈরোইশিংনা ইবদা মখোয়গী ৱাখল ফোংদোকপা ৱানা থোকই। মসিগী ওইবা য়াবা পাউখুম্মদি

(1) তোঙানবা ক্লাস তৌরগা ইবা ঔরাইবা অমদি মতম-মতমগী ওইবা ৱাহৈ হায়গা ইহনবা অমসুং ঔরাইবসিনি

(2) ৱারী-লাইরিক হেন্না পান্নবা পূক্লিং থৌগৎপিবা অমদি ওঝানা অনৌবা ৱাহৈ থেংন্নরকপশিংদু য়েংশিনবিবনি

(3) মহৈরোইনা ঙম্বা চাংগী মতুংইন্না হিরম (topic) হোংদোকপিবনি

(4) ৱাহৈশিংগী পরেং অমা পীরগা তম্বা অমসুং মদু শিজিন্নবনি

*লমতাকপা* : অপীবা ৱারেংদু পারগা ৱাহংশিংগী **(136–144)** খ্বাইদগী চান্নবা খন্দুনা পাউখুম পীরকউ :

**ফম্বাক লীলা**

জি. সি. তোংব্রা

**লীলাগী মিৎয়েং** : তাইবংপান অসি লীলাগী ফম্বাকনি। ঐখোয়না উরিবা, তারিবা, মনম নল্লিবা, মহাও তংলিবা, শোক্লবদা খঙইবা পূন্নমক লীলা ঙাক্তনি। সেপ্তেম্বরগী তাং ২২/২৩দা ঐখোয়না থোকপা উরিবা নুমিৎসি নোংপোক চপচানা মবুক শেংনা থোকপা মাল্লম্বনি। নোংমা নোংমা হৌখিদুনা চয়োল, চয়োল কয়ানা থা ... মথং মথং থাবল-চোংবগুম ওক্টোবর, নভেম্বর চঙলকপদা খরা খরা সুম মখারোমদা ঈশৈ হনবনা থৈদোক্লগা মবুকচেল নৌখৎলক্তুনা ইমাতোম্বী খাথংবা পৃথ্বী তম্ফাইরোমদা ঙাতোন অতেকপা চাবা চৎখ্রনি। অৱাংথংবা ঐখোয়রোমদা মতম কুইনা খোয়দানা লৈররোই। পাবুং দিনমনি, নুমিৎ কৌবা লাইনিংথৌনা থৌশাদনা মচাশিংবু হুন্দোকপীরম্বা উবদা অয়ুক নুংদাংদা ইমা অৱাং-লৈমনা তেংথাদুনা কপ্পদা লৈমায়সি লীক্লানা চোৎলনি, ৱাখলদা চমন্নদুনা লৈচিন নোংফাই থাংগনি অতিয়াদা, নুংদাং খাক্তুনা থম্বা ঙাতোন অতেকপা থোংবা ঙারেন হৌরমগনি, অয়ুক অঙনবদা চিন্তানা পোক হৌবগুম অহল নহা খায়দনা য়ুমথক পূন্নমক উন্না পুমঙৌ ঙৌরম্বা উগদবা কুইদ্রে। কাঙ, হয়িং, হঙোই, হরিনোংনাং—থোংবা তাররোই; মপা লৈত্রিঙৈদা লাইরবা লাক্লগে লাকপা নিংথম থানা কিনবা ফিশাবীশিংগী কোলগী লাল্লাও কোক কাক্লা নুংথিল নুংদাং খায়দনা তানরনি লৈকায় লৈকায় খুদিংদা। ঙাতোন পাম্বাদা নুংদাং খুল্লক্তা হল্লকপা মতমদা নম্বা, ঙাতোন অতেকপা ঙৌবগী, লৈতোন শরেং থাওদা ঙৌবগী মনম অদুনা অয়ুক নুংথিলদা লৈরক খুল্লক্তা নমলম্বা ৱাখোঙ মনমদুবু কোকহনগে লাক্লরি। চাইনা সিল্ক, রবর সিল্ক, নাইলোন্না থেমদুনা নুংশিৎ নুংশা চাংল্লম্বা উনশা ফজবশিংদু নুংশিৎপু উনগা সঙ্গ তৌখ্রে কিজরে হায়দুনা পঞ্জাবী দোকানগী শামতুগা মরূপ তনশান শান্নদুনা নুমিৎ তাবদা সিনেমা লীলা য়েংবা কোয়না চৎমিন্নরগনি। কূমৈ অসি উবদা দোকান্দার বাবু, দর্জ্জি, দোবী, সনলাইট

সোপখোয়না বাঃ বাঃ লীলা পাল্লে-হায়দুনা থাগৎকনি; শেল য়াম্না থোকচদবা নহারোলগী মমা মপানা চাদিংদা চদৎনদুনা মপি তাগনি। কনানা নোক্কনি, কনানা কপকনি অঙকপা তাইবং লীলানি।

**136.** লীলাগী ফম্বাকনি হায়রিবসি করিনো ?

(1) তাইবংপান্নি

(2) লবুক-লমহাংনি

(3) সহরগী ফজবা মফমনি

(4) পাৎ-তুরেল, চীং লৈবা মফমনি

**137.** করিবু নোংপোক চপচানা থোকপা মাল্লম্বগে ?

(1) সেটর্নবুনি

(2) থাবুনি

(3) নুমীৎপুনি

(4) থৱান মীচাকপুনি

**138.** লীলা ঙাক্তনি হায়রিবশিংদো করি-করিনো ?

(1) লীলা, ড্রামা সিনেমাশিংসু লীলা ঙাক্তনি

(2) নুপী, নুপা, অঙাং, অহন পুম্নমক লীলা ঙাক্তনি

(3) পান্থী, লেংলি-পাল্লিবা খুদিংমক লীলা ঙাক্তনি

(4) উরিবা, তারিবা মনম নমলিবা, মহাও তংলিবা শোক্লবদা খংলিবা লীলা ঙাক্তনি

**139.** ইমা অৱাং লৈমনা তেংথাদুনা কপ্পদা লৈমাইসি লিক্লানা চোৎলনি হায়রিবসি করিগীনো ?

(1) নুমীৎ কৌবা লাইনিংথৌনা মচাশিংবু হুন্দোক-পীরম্বদগীনি

(2) মপানা মচাশিং হুন্দোকপীরম্বদগীনি

(3) ইমা পাম্থোইবীনা মচাশিং হুন্দোকপীরম্বদগীনি

(4) তোম্বীনা মচাশিং হুন্দোক্লমবদগীনি

**140.** করি-করিবুনো খোংবা তাররোই হায়রিবসি

(1) ঙাঙ, শেন্দ্রাং, হুই, হরিনোংনাংশিংনি

(2) কাঙ, হয়িং, হুই, হরিনোংনাংশিংনি

(3) কাঙ, হয়িং, হঙোই, হরিনোংনাংশিংনি

(4) হয়িং, কাঙ, ক্বাক, হরিনোংনাংশিংনি

**141.** ফিশাবীশিংগী কোলগী লাল্লাও কোক-কাক কদাইদা তারনি ?

(1) লৈকাই-লৈকাই খুদিংদা তারনি

(2) য়ুমগী কাচিন্দা তারনি

(3) চীংয়াদা তারনি

(4) অথাপ্পা মফমদা তারনি

**142.** ꯔাখোঙ মনমবু করিনা কোকহনগে লাক্লরি ?

(1) ঙাতোন অতেকপা ঙৌবগী, লৈতান শরেং থাওদা ঙৌবগী মনমননি

(2) থাও শোক তৌবগী মনমননি

(3) কাংশোইদা ঙারি হাপ্পগী মনমননি

(4) লৈকাইদা ঙা থোঙবগী মনমননি

**143.** কুম্মৈ অসি উবদা কনানা লীলা পাল্লে হায়না থাগৎকনি ?

(1) বেপার তৌবা মীশিংনা থাগৎকনি

(2) কারবার মচা অমসুং অচৌবা তৌবা মীশিংনা থাগৎকনি

(3) দোকান্দার বাবু, দর্জ্জি, দোবী, সনলাইট সোপনা থাগৎকনি

(4) কোইচৎ-চৎলগা পোৎ য়োনবশিংনা থাগৎকনি

**144.** তাইবং লীলাদা কনানা করি-করি তৌবগে ?

(1) তাইবং লীলাদা মী খরনা নোক্কুনদা লৈ

(2) তাইবং লীলাদা মী খরনা কপকনি খরনা শাওগনি

(3) তাইবং লীলাদা মী খরনা ꯔাখল খন্দুনা লৈ

(4) তাইবং লীলাদা মী খরনা কপকনি খরনা নোক্কনি

*লমতাকপা* : অপীবা ꯔারেংদু পারগা ꯔাহংগী (**145–150**) পাউখুমশিং পীরকুউ :

### সমাজ অমসুং সংস্কৃতি

তাইবং মী অসি চাউরাক্লা লৈরোন অহমগী মন্ুংদা লৈনরি। অহানবদা, 'ঐ' অমসুং 'ঐগী' হায়বা ꯔাখন্তনা ইন্দুনা পুন্সিগী থবক পূম্নমক তৌবা মীꯔোং। মখোয়গী পুন্সিগী আদর্শনা করিগীনো খঙদনা মশাগী ফিরেপফম লৈফম তানবনা ওই। তৌনিং-তৌনিংবা তৌবদা লমন খুম্মকপা কিবদগী, অমসুং আইন্না নত্রগা মতুংগী মপোক্তা পীরগদবা দন্দ অদুতবু কিবনা মখোয়গী পুন্সিগী অথিংবা, অপনবা পীবা ওই। অদুগা অমুকসু ইমুং-মনুং নুংশিবা, মরৈবাক নুংশিবনসু মখোয়গী পুন্সিগী নোমলিকপগী থৌইনশিনসু মওই। মখোয় অসি ইচম-চম্বা মীওং কৌবা য়াই।

অনীশুবদা ꯔাখল খনবা, অফ-ফত্ত খঙবা অমসুং খঙনা অফবা তৌনিংবা মী কাংবু অদুনি। মখোয়না মথৌ করিনো, অমসুং মথৌ অদু পাঙথোকপা অসি পুন্সিগী তৌদবা য়াদবনি হায়না পূম্নমক অসি খন্না অমসুং খঙনা মদু পাঙথোক্লবা হোৎনদুনা মপুন্সি লেল্লি। অদুম্নদি ওইরগা পাশবিক শক্তিগা আধ্যাত্মিক শক্তিগা অনীগী কন্না লাম্ছেংনবা অদু মখোয়গী হৃদক্ষেত্রদা অমনা অমুক ঙম, অমনা অমুক ঙম অসুম চথদুনা লৈবনা, হান্নগী আদমগা অনৌবা মানব কা অনী অসিগী তত্তনা লাম্ছেংনফম অদু মখোয়গী পুন্সিনা ওইবনা, মীওইবগী খমথেংনা ꯔাংলবা আদর্শগী মীদি মখোয় অসি নত্তে। মখোয় অসি শক্তি পাম্মি; মপুন্সিদা অচাউরম কাবগী আশা য়াম্না কন্না লৈ। অদুগা অমরোমদসু অমুক থোইদোক্লা পুকচেল চাউই। মশাগী সুকয়েং-য়েংদনা তাইবং- মীওইবগী মঙ্গীদমক্তা হায়দুনা মরক মরক্তা নোম-ইকপসু তোয়না থোকই। মী মশামক্তদা মশাগী সুকয়েং য়েংদবা, অমরোমদসু অমুক মশাগী ওইজবনা মপুং ওইবা অচপ্পা ꯔাখল, অনী অসি পূন্না অমুক্তদা, ওইথোক্তবা মাল্লবসু, ফুদোকই। চাউরম তান্নবগী অচাংয়েংদা ইরাই-লাইনা লুচিংবা ওইবা পান্বদগী মখোয় অসি অউৎপা য়াম্না পাম্মি অদুবু পুন্সিগী তৎয়ৌরবা মতমদা মশা-মশাগী অশেংবা মচু উথোক্লকই। করি করিগুম্বা মতমদা ইন্দ্রিগী মখাপোন্না থবক তৌবদুনা অপাম্বগী মৈখুনা অচুম- অরানগী মিৎ কুপশিনখিদুনা মখোয়না থোইদোক্লা হম্বা থাক্তি থবক ফাওবা হালেংদনা তৌবা তোয়না থেংনৈ।

মীৱোইশিং অসি আত্মাগী স্বাতন্ত্র্য অদু মহাও তংবা হৌগৎলকপদা ঙায়বনা অয়াম্বা মতমদা অচেৎপা নিয়মগী মখাদা পুন্সি লমজিংদ্রবদি অসুম থরো থরো ওন্থখিদুনা য়াম্না হন্থবা থাক্তা কুমথনিঙাইসু ওই।

**145.** তাইবং মী অসি লৈরোল কয়াগী মনুংদা লৈনরিবগে ?

(1) তাইবং মী অসি লৈরোল ময়ামগী মনুংদা লৈনরি

(2) লৈরোল অমগী মনুংদা লৈনরি

(3) তাইবং মী অসি চাউরাক্লা লৈরোল অহুমগী মনুংদা লৈনরি

(4) মী হায়বসি লৈরোল খরদা লৈনরি

**146.** 'ঐ' অমসুং 'ঐগী' হায়বা ৱাখনদা খনবা মীওইগী পুন্সি আদর্শ ফিরেপফম করম্না তানবগে ?

(1) মীনা পুন্সিগী আদর্শ

(2) মখোয়গী পুন্সিগী আদর্শনা করিনো খঙদনা মশাগী ফিরেপফম লৈফম তানবনা ওই

(3) 'ঐগী'দা খনবা মীওইনা পুন্সিগী মশাগী ফিরেপ তানদে

(4) মীওই খরদি পুন্সিগী আদর্শতা য়ুমফম ওই

**147.** ইমুং-মনুং নুংশিবা, মরৈবাক নুংশিবনা মীওইবগী পুন্সিদা করি পীরকপগে ?

(1) মীওইবনা ময়ুমবু নুংশিবদগী অমসুং মশাগী কান্নবা নোমলিকপগী থৌশিল ওই

(2) ইমুং-মনুং নুংশিবনা পুন্সিদা নোমবাগী থৌশিল ওইরকই

(3) ইমুং-মনুং নুংশিবা, মরৈবাক নুংশিবনা মী খরগী পুন্সিগী নোমলিকপগী থৌইনশিনসু মওই

(4) মরৈবাক নুংশিবনসু পুন্সিদা নোমলিকপগী থৌশিল ওই

**148.** অনিশুবদা পল্লিবা মী কাংবুদু কনা কনানো ?

(1) ৱাখল খনবা, অফ-ফত্ত খঙবা অমসুং খঙনা অফবা তৌনিংবা মী কাংবু অদুনি

(2) ৱাখল খনবা অফ-ফত্তবা খঙদবা অমসুং খঙনা অফবা তৌনিংবা মীনি

(3) ৱাখল খনদবা অফ-ফত্তবা খঙদবা অমসুং খঙদনা অফবা তৌনিংবা মী অদুনি

(4) অফ-ফত্তবা খঙদনা অফবা তৌনিংবা মীওইদুনি

**149.** করিগা করিগা লানথেংনবগে ?

(1) অচুম্বগা অকনবগা লানথেংনবনি

(2) পাশবিক শক্তিগা, আধ্যাত্মিক শক্তিগা লানথেংনৈ

(3) অচুম্বগা অরানবগা লানথেংনবনি

(4) অচুম্বা মশেল লানথেংনবনি

**150.** পুন্সিদা অচাউরম কাবাগী আশা লৈরিবদু কনানো ?

(1) মীওই পুম্নমকনি

(2) অপঙবা মীওইশিংনি অচাউরমগী আশা লৈরিবদু

(3) অচাউরমগী আশা লৈরিবদু অশিংবা মীশিংনি

(4) ৱাখল খনবা, অফ-ফত্ত খঙনা অফবা তৌনিংবা মীওইশিংসি মপুন্সিদা অচারম অচাউরম কাবাগী আশা লৈবা মীওইশিংনি

SPACE FOR ROUGH WORK

*মখাদা পীরিবা নীতি-নিয়মশিং (instruction) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ :*

**1.** (OMR) অন্সর শীটকী অনীশুবা নাকন্দা ৱাহং খুদিংমক্কী পীরিবা কলন (Column) মরীদুগী মনুংদা শুপ্নগী অচুম্বনি খল্লবা মফম অদুখক্তদা **ব্লু নত্রগা ব্লেক বোল পোইন্ট পেননা** ময়েক শেংনা মার্ক (Mark) তৌগদবনি। অতোপ্পা মফম অমদা অনীশুবা মার্ক তৌবা য়াদে।

**2.** কেন্দিদেটশিংনা অন্সর শীট তু থুপচিনবা, থেকচিনবন চিংবগী মওং অমত্তা তৌবা য়াদে। অন্সর শীটতা রোল নম্বর (Roll No.) ইননবগীদমক্তা থমলিবা মফম অদুখক্তদা নশাগী রোল নম্বর ইগদবনি। অতোপ্পা মফম অমত্তদা ইশিনবা, য়েকশিনবা তৌবা য়াদে।

**3.** টেষ্ট বুকলেট (Question Paper) অমসুং অন্সর শীট অদু য়াম্না চেকশিনগদবনি, করিগুম্বা মরম অমত্তদসু (শুপ্নগী টেষ্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীটকী নম্বর মান্নরমদবদগী শিন্দোকপা নত্তনা) অনীদু শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবা য়ারোই।

**4.** কেন্দিদেটশিংনা টেষ্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী Code অমসুং নম্বর অদু (Attendance Sheet) তা ময়েক শেংনা চুন্না ইগদবনি।

**5.** কেন্দিদেটশিংনা পরীক্ষা হোল/Room দা মশাগী Admit Card নত্তনা করিগুম্বা মখলগী লাইরিক, অনম্বা চেচাং, পেজর, মোবাইল ফোন, ইলেকট্রোনিক্স ডিভাইস নচিংবা পোৎ অমত্তা পুশিনবা য়াদে।

**6.** ইনভিজিলেটর না হংলপ্লগা কেন্দিদেটশিংনা মশা-মশাগী Admit Card পুথোক্কদবনি।

**7.** কেন্দিদেট অমত্তনা সুপরিনটেন্দেন্ট নত্রগা ইনভিজিলেটরগী অয়াবা য়াওদন মশাগী ফমফম থাদোকপা য়াদে।

**8.** কেন্দিদেটশিংনা মশাগী অন্সর শীট তু ইনভিজিলেটরদা পীরমদনা অমদি এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না Sign তৌরমদনা পরীক্ষা হোল থাদোকপা য়ারোই। মশাগী অন্সর শীট তু পীরর্ল্লবসু এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না Sign তৌরমদ্রবা কেন্দিদেটশিংদি Unfair Meansকী Case ওইনা লৌগনি।

**9.** পরীক্ষা হোল মনুংদা ইলেকট্রোনিক/মেন্যুল কেলক্যুলেটর শীজিন্নবা য়াদে।

**10.** কেন্দিদেটশিংনা পরীক্ষা হোল মনুংদা পরীক্ষা থারিঙৈদা বোর্ডকী Rules and Regulations ঙাক্না চৎকদবনি। Unfair Means নচিংবা থোকহন্নিংবা থৌদোকশিং থোকলকপদা বোর্ডকী Rules and Regulations কী মতুংইন্না ৱারেপ লৌগনি।

**11.** টেষ্ট বুকলেট নত্রগা অন্সর শীটকী করিগুম্বা মফম অমত্তদা শেগায়- তুগায়বনচিংবা তৌবা য়ারোই।

**12.** **পরীক্ষা হেক লাইবগা কেন্দিদেটশিংনা মাগী-মাগী অন্সর শীট তু পরীক্ষা হোলদুদা লৈরিবা ইনভিজিলেটরদুদা খুৎশিন্নরম্লগা মশা-মশাগী টেষ্ট বুকলেট তু পুরগা থোকখিগদবনি।**

**READ THE FOLLOWING INSTRUCTIONS CAREFULLY :**

1. Out of the four alternatives for each question, only one circle for the correct answer is to be darkened completely with Blue/Black Ballpoint Pen on **Side-2** of the OMR Answer Sheet. The answer once marked is not liable to be changed.
2. The candidates should ensure that the Answer Sheet is not folded. Do not make any stray marks on the Answer Sheet. Do not write your Roll No. anywhere else except in the specified space in the Answer Sheet.
3. Handle the Test Booklet and Answer Sheet with care, as under no circumstances (except for discrepancy in Test Booklet Code or Number and Answer Sheet Code or Number), another set will be provided.
4. The candidates will write the correct Test Booklet Code and Number as given in the Test Booklet/Answer Sheet in the Attendance Sheet.
5. Candidates are not allowed to carry any textual material, printed or written, bits of papers, pager, mobile phone, electronic device or any other material except the Admit Card inside the Examination Hall/Room.
6. Each candidate must show on demand his/her Admit Card to the Invigilator.
7. No candidate, without special permission of the Superintendent or Invigilator, should leave his/her seat.
8. The candidates should not leave the Examination Hall without handing over their Answer Sheet to the Invigilator on duty and sign the Attendance Sheet twice. Cases where a candidate has not signed the Attendance Sheet a second time will be deemed not to have handed over the Answer Sheet and dealt with as an unfair means case.
9. Use of Electronic/Manual Calculator is prohibited.
10. The candidates are governed by all Rules and Regulations of the Board with regard to their conduct in the Examination Hall. All cases of unfair means will be dealt with as per Rules and Regulations of the Board.
11. No part of the Test Booklet and Answer Sheet shall be detached under any circumstances.
12. **On completion of the test, the candidate must hand over the Answer Sheet to the Invigilator in the Room/Hall. *The candidates are allowed to take away this Test Booklet with them.***

**निम्नलिखित निर्देशों को ध्यान से पढ़ें :**

1. प्रत्येक प्रश्न के लिए दिए गए चार विकल्पों में से सही उत्तर के लिए OMR उत्तर-पत्र के **पृष्ठ-2** पर केवल एक वृत्त को ही पूरी तरह नीले/काले बॉलपॉइंट पेन से भरें। एक बार उत्तर अंकित करने के बाद उसे बदला नहीं जा सकता है।
2. परीक्षार्थी सुनिश्चित करें कि इस उत्तर-पत्र को मोड़ा न जाए एवं उस पर कोई अन्य निशान न लगाएँ। परीक्षार्थी अपना अनुक्रमांक उत्तर-पत्र में निर्धारित स्थान के अतिरिक्त अन्यत्र न लिखें।
3. परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर-पत्र का ध्यानपूर्वक प्रयोग करें, क्योंकि किसी भी परिस्थिति में (केवल परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर-पत्र के संकेत या संख्या में भिन्नता की स्थिति को छोड़कर) दूसरी परीक्षा पुस्तिका उपलब्ध नहीं करायी जाएगी।
4. परीक्षा पुस्तिका/उत्तर-पत्र में दिए गए परीक्षा पुस्तिका संकेत व संख्या को परीक्षार्थी सही तरीके से हाजिरी-पत्र में लिखें।
5. परीक्षार्थी द्वारा परीक्षा हॉल/कक्ष में प्रवेश-कार्ड के सिवाय किसी प्रकार की पाठ्य-सामग्री, मुद्रित या हस्तलिखित, कागज की पर्चियाँ, पेजर, मोबाइल फोन, इलेक्ट्रॉनिक उपकरण या किसी अन्य प्रकार की सामग्री को ले जाने या उपयोग करने की अनुमति नहीं है।
6. पूछे जाने पर प्रत्येक परीक्षार्थी, निरीक्षक को अपना प्रवेश-कार्ड दिखाएँ।
7. अधीक्षक या निरीक्षक की विशेष अनुमति के बिना कोई परीक्षार्थी अपना स्थान न छोड़ें।
8. कार्यरत निरीक्षक को अपना उत्तर-पत्र दिए बिना एवं हाजिरी-पत्र पर दुबारा हस्ताक्षर किए बिना परीक्षार्थी परीक्षा हॉल नहीं छोड़ेंगे। यदि किसी परीक्षार्थी ने दूसरी बार हाजिरी-पत्र पर हस्ताक्षर नहीं किए, तो यह माना जाएगा कि उसने उत्तर-पत्र नहीं लौटाया है और यह अनुचित साधन का मामला माना जाएगा।
9. इलेक्ट्रॉनिक/हस्तचालित परिकलक का उपयोग वर्जित है।
10. परीक्षा हॉल में आचरण के लिए परीक्षार्थी बोर्ड के सभी नियमों एवं विनियमों द्वारा नियमित हैं। अनुचित साधनों के सभी मामलों का फैसला बोर्ड के नियमों एवं विनियमों के अनुसार होगा।
11. किसी हालत में परीक्षा पुस्तिका और उत्तर-पत्र का कोई भाग अलग न करें।
12. **परीक्षा सम्पन्न होने पर, परीक्षार्थी कक्ष/हॉल छोड़ने से पूर्व उत्तर-पत्र निरीक्षक को अवश्य सौंप दें। *परीक्षार्थी अपने साथ इस परीक्षा पुस्तिका को ले जा सकते हैं।***